# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 10-05-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা থি হুন্নবগী থবক চথখ্রে, লালহৌলুপ অমগী মীওই অনি ফারে।

২) মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি- মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা অখাক অরাউগা লোয়ননা নোং চুগনি।

অমসুং

৩) ভারত্তা মপুং ওইনা খুন্দারিবা মীওইশিংগী মশিং চাদা ৭.৮২ গী চাংদা হন্থরে, মাইনোরিতিশিংগী মশিং হেনগৎলক্লি।

------

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা চীং অমসুং তম্পাক্কী মফমশিংদা থি হুন্বা অমসুং এরিয়া দোমিনেসনগী থবক চথখ্রে। হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা সেক্যুরিতি ফোর্সনা উখ্রুল জিলাগী ভিউলেন জোন থ্রিদগী য়ু.এন.এল.এফ (কে)গী মীওই অনি ফাখি। মখোয়দগী শেল ওইনা লুপা লাখ ১ লিশিং ১৭ খরা হেন্না, নোংমৈ মরু ৪০, ৱাল্কি টোল্কি অনি, হেরোইনি চিংনবা গ্রাম ২০, সনাগী লিক অমা, খুদোপ অমা অমসুং অতৈ পোৎলম খরা ফংলে হায়রি।

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়- নেসনেল হাইৱে থার্তি সভেন অমসুং নেসনেল হাইৱে টুদা গাড়ি ১৯২ অমসুং ২০৪ তঙাইফদবা পোৎলমশিং পুরগা ইম্ফাল্লোমদা চংলকখি। লম্বী পরিং অনি অসিগী

চিংনবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি থমদুনা গাড়িশিং অশোই অঙাম থোকহন্দনবা হোৎনরি। রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা চ্যেক পোইন্ট ১২৫ থমদুনা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা হোৎনরি।

মেট (এল)ঃ মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি- অৱাং নোংপোক ভারতকী তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংগী অককবা মফম খরদা নোং তাগনি। রাজ্যশিং অদু মপুংওইনা মণিপুর য়াওনা অরুনাচল প্রদেশ, মেঘালয়, নাগালেন্দ, অসাম, মিজোরম অমসুং ত্রিপুরা য়াওরি। রাজ্যশিং অসিদা মখা তানা লাক্লিবা নুমিৎ ৭ নি রোম অসিদা অখাক অরাউ য়াওনা পাক শন্না নোং তারবা য়াই হায়রি।

মরক অসিদা, ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌনা রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা পাক্তকনা নোং চুখি। অখাক অরাউগা লোয়ননা চুখিবা নোং অদুনা ইম্ফাল মনুংগী অকুৎপা মফমশিং ঈশিং থুমজিল্লে।

দিসি (এল)ঃ রাজ্য অসিদা থা অসিগী ৫ দা লেন য়াওনা তাখিবা অকনবা নোং নুংশিৎনা মরম ওইদুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ওইনা শোকহনখিবশিংগী ক্ষেতিপুরন পীনবা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনারদা পন্না দরখাষ্ট লিশিং ১৫,৭৪৯ লাকখি হায়রি।

জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার থোকপা নোতিফিকেসন অমনা হায়- ক্ষেতিপুর পীনবা দরখাষ্টশিং অদু ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমফেল, ৱাংগোই, পাৎশোই অমসুং লমশাং সব-দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংগী মীওইশিংনা থারকখিবনি। অমাং অতা থোকখ্রবশিংনা মখোয় মখোয়গী অমাং অতাশিং অদুগী ক্ষেতিপুর ফংনবগীদমক ক্লেম অমসুং ওবজেক্সন তৌনিংবশিংনা জিলা অসিগী মরী লৈনবা সব-দিভিজনেল ওফিসার- সব-দিপ্যুতি কল্লেক্টরদা ঙসি নুংথিল পুং মরি ফাওবগী মনুংদা মরী লৈনবা চে চাংশিং পীশিল্লকপা য়াগনি হায়না নোতিফিকেসন অদুনা মখা তারি।

এআর (এল)ঃ    অসাম রাইফলসনা হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা মীওই অমা লুপা লাখ ৪৭ হেনবগী হিরোইনগা কোন্ননা ফারে। মিজোরমগী মেলবুক লম্বীদা লাকপা অচৎ অওকশিং চ্যেক তৌবদা সাপোন কেপ ৬ তা হাপ্লম্বা হিরোইন গ্রাম ৬৮ ফাগৎপা ঙমখিবনি। ফারবা মীওই অমসুং পোৎলমশিং অদু মখা তাবা আইনগী থবক লৌখৎনবা মরী লৈনবা পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে।

অসাম রাইফলসনা মণিপুরগী তমেংলোং জিলাগী অজ্ইরাম খুলদা ঙরাং উ চারা থাবা অমসুং লম-তু শেংবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। সেক্যুরিতি পার্সোনেল অমসুং মফম অদুগী খুঞ্জাশিং য়াওনা শরুক য়াখিবা থৌরম অদুগী মরুওইবা পান্দমদি মফম অদুবু উ-ব্রা হৌহন্দুনা পুমশং শংহন্নবনি।

ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডেগা মরী লৈননা অসাম রাইফলসনা চুরাচান্দপুর জিলাগী গোথোল ভিলেজদা লৈবা জে.বি. স্কুলদা উ-চারা থাবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি। থৌরম অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি- মহৈরোইশিংবু উ থাবগী মরুওইবা অমদি মসিবু য়োকখৎতুনা থম্বনা করি কান্নবগী হায়বগী মতাংদা খঙহন্নবনি।

অসাম ঃ    অসামগী কছার জিলাদা কছার পুলিসনা মফম কয়াদা থি হুম্বগী থবক চখ্খ্রে। অককবা পাউ অমা ফংবদগী সিলচরদা লৈবা ইন্তর ষ্টেট বস টারমিনস (আই.এস.বি.টি)দা থি হুম্বগী থবক চখ্খি। মদুদা লুপা কোতি অহুমলোমগী মমল ওইগদবা হিরোইন গ্রাম ৫৭২ মীওই অহুমদগী ফাগৎপা ঙমখি। হিরোইনশিং অদু য়ুমথংনবা রাজ্য অমদগী পুশিল্লকপনি হায়রি। ফারবা মীওই অহুম অদু মরী লৈনবা পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে।

অমরোমদা, অসাম পুলিসনা রাজ্য অদুগী মফম কয়াদা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা অচৎ অওকশিং চ্যেক তৌবা, থি হুম্বগী থবক চখ্বা অমদি এরিয়া দোমিনেসনগী থবক চখ্রি।

পোপুলেসন ঃ ভারত্তা মপুং ওইনা খুন্দারিবা মীওইশিংগী মশিং চাদা ৭.৮২ গী চাংদা হন্থরে। ইং কুমজা ১৯৫০ দগী ২০১৫ ফাওবগী মনুংদা ভারত্তা মপুং ওইনা খুন্দারিবা হিন্দুশিংগী মশিং হন্থরক্লিবা অসি ম্যান্মারগী হেক মথংদনি। ম্যান্মারদসু লৈবাক অদুদা মপুং ওইনা খুন্দারিবা মীওইশিংগী মশিং হন্থরক্লে হায়রি। প্রধান মন্ত্রিগী ইকোনোমিক এদভাইজরি কাউন্সিলগী চেরোল অমনা হায়- মাইনোরিতি কাংলুপশিং মুস্লিম, খৃষ্টান, বুদিষ্ট অমসুং শিখশিংগী মশিং হেনগৎলক্লি। অদুমওইনমক, জৈন অমসুং পারসিশিংগী মশিং হন্থরক্লি হায়না চেরোল অদুদা পল্লি। প্রধান মন্ত্রিনা লুচিংবা পেনেল অদুনা হায়- ইং কুমজা ১৯৫০ দা লৈবাক অসিদা লৈরম্বা হিন্দুশিংগী মশিং অসি চাদা ৮৪.৬৮ নি। অদুবু ২০১৫ দদি চাদা ৭৮.০৬ তা হন্থরকখি। রিপোর্ট অদুনা হায়- ইং কুমজা ১৯৫০ দগী ২০১৫ ফাওবা অসিদা মুস্লিম জাতিশিংগী চাদা ৪৩.১৫ দা অমসুং খৃষ্টানশিংদা চাদা ৫.৩৮ গী চাংদা হেনগৎখি। লোয়ননা লৈবাক ১৬৭ তা লৈরিবা মাইনোরিতিশিংগী অকুপ্পা ৱারোলশিং রিপোর্ট অদুদা পল্লি। বঙ্গলাদেশ, পাকিস্তান, শ্রীলঙ্কা, ভুতান অমসুং আফগানিস্তানদা মাইনোরিতি পোপুলেসনশিংগী মশিং শিংথানিঙাই ওইনা হন্থরক্লে হায়রি।

এয়ার ইন্দিয়া ঃ ইয়ার ইন্দিয়া এক্সপ্রেসকী ফ্লাইট কেন্সেল তৌবগা মরী লৈননা মসিগী ক্রু মেম্বর খরা থবক্তগী লৌথোকখিবা অদুগী মনুংদা সেনিয়র ক্রু মেম্বর ২৫ অমুক হন্না থবক হঞ্জিনহনখ্রে। কেবিন ক্রুশিংনা তাল্লিবা দাবী ইয়ারলান্স অসিনা পীরগনি হায়বদগী কেবিন ক্রুশিংনা চত্থরকখিবা ষ্ট্রাইক অদু হনে দাকখিবনি। হান্না পাউ পীরম্বা তৌদনা ইয়ার ইন্দিয়া এক্সপ্রেসকী ক্রু মেম্বরশিংনা নারে হায়দুনা ছুতি লৌথোকখিবদগী ইয়ার ইন্দিয়া এক্সপ্রেসকী ফ্লাইট ৮০ রোম কেন্সেল তৌখিবনি। ঙরাংসু ফ্লাইট ৮৫ রোম কেন্সেল তৌখি। ফ্লাইট কেন্সেল তৌবদগী খুদোংচাদবা মায়োকরিবা পেসেঞ্জরশিংনা টিকেৎকী মমল হল্লকবা নত্রগা অতোপ্পা খুদোংচাগদবা নুমিৎ অমদা অমুক পাইবগী খুদোংচাবা লৌবা য়াগনি হায়রি।

মীখল ঃ লোক সভা মীখলগী লেমহৌরিবা তাঙ্ককশিংগী ভোৎ খোম্বগী থবক খম থেংনা কল্লে। দল দলশিংগী ষ্টার কেম্পেন্নরশিংনা মখোয় মখোয়গী মীরেপশিংগীদমক ঙমজবী থাদুনা ভোৎ খোল্লি।

বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং গৃহ মন্ত্রি অমিত সান ঙরাং তেলঙ্গনাদা পাঙথোকপা মীখলগী মীতিনশিংদা শরুক য়াখি। কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা অন্ধ্র প্রদেশতা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিশিংদা শরুক য়াখি। বি.জে.পিগী প্রসিদেন্ট জে.পি. নদ্দা উত্তর প্রদেশতা মহাক্কী দলগী মীরেপকীদমক ভোৎ খোমখি।

কংগ্রেসকী জেনেরেল সেক্রেটরি প্রয়াঙ্কা গান্ধি ভদ্রনা রাইবরেল্লিদা পাঙথোকপা মীখলগী মীতিনশিংদা শরুক য়াখি। মহাকা হায়- কংগ্রেসনা সরকার পায়রবদি দলগী মেনিফেষ্টোদা হায়খিবা ৱাফমশিং থবক্তা ওন্থোক্কনি। বহুজন সমাজ পার্তি লুচিংবী কুমারি ময়াৱাতিসু মফম কয়াদা পাঙথোকপা মীখলগী মীতিনদা শরুক য়াখি।

ক্রিকেট ঃ ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লিগী ঙরাং হিমাচল প্রদেশকী ধর্ম্মসালাদা শান্নখিবা মেটচ অমদা রোয়েল জেলেঞ্জরস বেঙ্গলোরনা পঞ্জাব কিংসবু রন ৬০ থোইখি। হান্না বেত্তিং তৌখিবা রোয়েল চেলেঞ্জরসনা অপিবা ওভরদা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ২৪১ লৌখি। পঞ্জাব কিংসনা ওভর ১৭ তা ৱিকেট পুমমক তুরগা রন ১৮১ খক লৌখি।

ঙসি অহমেদবাদকী নরেন্দ্র মোদি ষ্টেদিয়মদা নুমিদাং পুং ৭ মখায়দা গুজরাত টাইতান্সকা চেন্নাই সুপর কিংসকা শান্নগনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

থা অসিগী ৫ দা লেন য়াওনা তাখিবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা অৱা অনা নংলবশিংগী ফিভম মুখ্য মন্ত্রিনা য়েংশিনখিবগী পাউ, মণিপুরদা থোক্লিবা হিংশাগী

থৌদোক অসি তেরোরিজম নত্তে, মীতৈ অমদি কুকিগী মরক্তা খেন্নবা লৈবশিং তাইশিন্নবা মথৌ তাই হায়বা গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহগী ৱাফম য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা মণিপুরদা ফোংবা পাউচেশিংগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

মুখ্য মন্ত্রিনা নোংলৈ নুংশিৎনা অৱাবা তারবশিংগী ফিভম য়েংশিনখিবা, য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা নুমিৎ মরি মঙানিগী মনুংদা তঙাইফদবা মতেং পীবা হৌরগনি হায়না ফোংদোকখিবা অমসুং মণিপুরদা থোক্লিবা হিংশাগী থৌদোক অসি তেরোরিজম নত্তে, মীতৈ অমদি কুকিশিংগী মরক্তা খেন্নবা লৈবশিং তাইশিন্নবা মথৌ তাহ্ হায়না গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা ফোংদোকখিবা ৱাফমশিং অসি মণিপুরদা ফোংবা পাউচেশিং- হুইয়েন লানপাউ, পিপলস ক্রোনিকল, পোকফম, শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস ইদিসন, সনালৈবাক, মণিপুর নিউজ, নহারোলগী থৌদাং, ঈচেল এক্সপ্রেস, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, মোর্নিং বেল, মণিপুর মেল পাউচেশিং অসিগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউচেশিং ওইনা ফোংলি।

মণিপুরদা লৈরিবা ইরাং অসিগী মতাংদা অমিত সাহনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অসি হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা মণিপুরদা লৈরিবা ইরাং অসি ইথনিক ভাইওলেন্সনি, তেরোরিজম নত্তে, মীতৈ অমসুং কুকি অনিগী মরক্তা খেন্নবা লৈবশিং তাইশিন্নবা মথৌ তারি হায়না ফোংলি।

ইং কুমজা ১৯৫০ দগী ২০১৫ ফাওবদা হিন্দুগী পোপুলেসন অসি চাদা ৭.৮ দা হন্থরে হায়বা পাউ অসি তমেংলোং টাইমসকী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

কংলাতোংবীদা লৈবা নাগাগী য়ুম অমদগী নোংমৈ পায়বা মীওই অমনা শেল মুনখিবা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা নমদাইলোং ভিলেজ ওথোরিতিনা অচুম্বা ৱায়েল পীয়ু হায়দুনা দাবী তৌখিবগী পাউ অমসু গানফিউ মেল পাউচেগী অহাবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

শানৈ য়ুনৈরন্বা নুপীমচা ৭, নুপামচা ৬ খুল ঙাকপশিংনা ফারে, মশাগী ইকায় খুমবা ফাওবা য়োন্থোক্লগা ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাবা অঙাংশিং ওইরল্লে। মখোয়দা ব্রাহং পাউহং চত্থবদা ফমাইবশিং চেন্নরমলে হায়বা নুপী সমাজগী ব্রাফম হুইয়েন লানপাউ পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলে। পাউ অসি পাউচে অয়াম্বগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

মৈতৈ নহা অমা বসতা সেনাপতি য়ৌশিল্লল্লে, কলহৌবনা ১৫ মফম খঙদবনা ৮ হায়বা পাউ অমসু শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

ফুট ৯ শাংবা অচৌবা লাইরেল অমা ফাবগী পাউসু সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

------